ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ২৯, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৭২শুবা মশীং

# ফোরেন্সিক সাইন্সকী কোলেজ

## অথুবা মতমগী মনুংদা হাংহন্নবা মরী লৈনবশিংনা থবক পায়খৎহন্নিংই

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই কাবা দ্রগকী ৱাথোক, নুপী-অঙাংদা চথুবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ক্রাইম অমদি মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক কয়া থোক্লি। হায়রিবা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈনবা কেস অয়াম্বগী ৱায়েল চথুরকপদা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী এক্সপার্ট ওপিনিয়ন অমদি রিপোর্ট মথৌ তারকই। অদুবু ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী এক্সপার্ট ওপিনিয়ন অমসুং রিপোর্ট অদু মতম চানা ফংবা ঙমদবনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ক্রাইমশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল থিন্থহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসি পাঙ্গেদা লৈ। ম্যেন পাৱর ৱাৎপা, মতমগা চুনবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অমদি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবা, ফন্দগী অৱাৎপা লৈবনা লেবোরেটরি অসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী মতৌ অমসু উরি। লেবোরেটরি অসিগী সেঙ্কসন পোষ্ট ৬৬ লৈবগী মনুংদা ২৬ হাংদুনা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা ইন্টর্নেট কন্নেক্সন ফাওবা লৈরমদবগী ৱাফম হৌখিবা থা ১/২গী মমাঙদা থেংনখ্রে। লেবোরেটরি অসিদা দি এন এ টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবসু লৈত্রি। অৱাৎ-অপা কয়া লৈরবসু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীদবনা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসি মমিংতগী ওইনা লৈবগী ফীভমদা লৈরি।

ইম্ফালদা লাক্লমখিবা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হৌজিক হৌজিক অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ফোরেন্সিক সাইন্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া অমা তৌবা য়ারি। নেসনল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা মণিপুরদসু ফোরেন্সিক সাইন্সকী কোলেজ অমা হাংলবদি মণিপুর খক নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চাউনা কান্নবা পীগনি। মফম অসিগী মহৈরোয় কয়ানসু ফোরেন্সিক সাইন্সকী লমদা মহৈ তম্বদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনগনি। মরম অদুনা নেসনল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌবা ফোরেন্সিক সাইন্স কোলেজ অমা মণিপুরদা হাংননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোৎনবীয়ু। মসিগীদমক সেন্টরনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংননবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোক্লমখিবনি। ফোরেন্সিক সাইন্স কোলেজ অমা হাংননবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থন্নমখিবা ৱাফম অসি অফবনি হায়না লৌফম থোকই। ফোরেন্সিক সাইন্স কোলেজ অসি লিংদুনা লম অসিদা এক্সপার্ট কয়া পুথোরক্লবদি ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্নবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেটকী ওইনসু কান্নবা ফংগনি। হায়নবা লৈ অফবা থবক তৌবদা থিন্থবা তৌগনু। ৱাফম অসিবু লুম্না লৌরগা অথুবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা ফোরেন্সিক সাইন্স কোলেজ অমা হাংননবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎহন্নিংই। মদুনা ষ্টেট অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদসু শোয়দনা পুশিনবা ঙমগনি। মতম চানা থবক পায়খৎহৌদবা অমদি থৌশাদবদগী খুদোংচাবা কয়া মাঙখিবগী থৌদোক কয়াসু লৈখ্রে। হন্দক্কী মতাং অসিদদি খুদোংচাবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনহন্নিংই। সেন্টরনসু পাংবা য়াবা মতেং পাংননবা শেম-শারে হায়রিবনিনা ফোরেন্সিক সাইন্স কোলেজ অসি হাংহৌবনা পুন্নমক্কী অফবা অমদি কান্নবা ওইগনি।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

গভর্ণমেন্টকী পোলিসি মখাদা ত্রাইবেল চীফশিংগী ওইবা গেষ্ট হাওস শাগদৌরিবা অসিনা চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈনরগনি। হায়রিবা গেষ্ট হাওস অসি সনা কোনুং কমপ্লেক্স মনুংদা ফুট ৭০ শাংবা, ফুট ৪০ পাক চাউবা, মথোল মরি ৱাংবা, চঙগদবা শেনফমনা লুপা কোটি ৭কী শেনফম মিনিষ্ট্রিনা সেঙ্কসন তৌরগা লৈরে হায়না তাজে। মসিবু থবক ওইনা হায়বদি শাবগী থবক তৌগদৌরিবনা মণিপুর হাওজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদনা পায়গনি হায়নসু থেংনজে।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মফম অদুনি, মরমদি লৈঙাক্কী ওইবা লম হায়বদি সনা কোনুংগী লম মখৈ লন্নাই মীওইশিংনা লোইনা লৈশিনখ্রে। মমাঙদা লম খরা লৈঙাক্না লৌথোক্লবা ওর্দর থোকখ্রে। অদুসু থবক ওইনা ওন্থোকপগী মমি তাখিদ্রে। মফম চাবদা এয়র মার্ক তৌবীদুনা মায় পাক্না অথুবা মতমদা পায়খৎপীনবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

করিগুম্বা গেষ্ট হাওস অসি শাবা তারবদি ময়ামগী মীৎয়েংফম, ফজবা মফম, হান্নগী অরিবা শক্তমসু শোক্তবা মফমদা শাহঞ্জনীংই। করিগুম্বা শাবিবা তারবদি লৈঙাক্লদি হেন্না খঙবীরমগনি অদুবু পামজবা ওইনা পঞ্জনীংদুনা নীংশিংজবগী ৱাফমনি। লম অদু খরা পাক চাউনা, মতম শাংনা চৎনবা তৌহঞ্জনীংই। মসিদা তঙাইফদনা লৈগদবা মচাকশিং গার্দেন, গাড়ীগী পার্কিং, গেরেজ, সিক্যুরিটিগী লৈফম, কিচন অমসুং ষ্টাফশিংগী লৈফম তঙাইফদনা চঙবনা লম অসি খরা য়াম্না পাক চাউনা লৈহঞ্জনীংই। মসিতসু নত্তনা মতম খরা লৈরগা হেন্না পাক চাউনা গেষ্ট হাওস অদু চাউথোরকপসু য়াই। হায়জরিবা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্না হেন্না খঙবীরিবনি অদুবু লমদমসিগী সিটিজন অমা ওইনা য়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না ফজহন্নীংদুনা মপি-মপা ওইরিবশিংগী মীৎয়েং চিংশিনজবনি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হন্দক্কী মেত্রিক অমদি ত্বেলভ থাগদবশিংগী মরাইবক!

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৩১

## জিতেন নামৈরাকপম

ইকুই কুইদনা হন্দক্কী চহীসি লোইশিনখ্রগনি, লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১গী মার্চ থাদা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী ফাইনেল এগজামিনেসন তৌরবা য়াই হায়না তারি। শাথীখ্রবা লায়না অমনা মালেম পূম্বদা লান্দারকপদা ঐখোয়গী ইরমদমসু য়ৌশিল্লক্তুনা কোভিদকী চৈথেং নংদুনা সেসন মপূং ফানা তম্বা ঙমহৌদবা অঙাংশিংগী মরাইবক করি ওইগদৌরি। লাইরিক্কী ৱারা শুক্তম তম্বা ফংহৌদে। ফেব্রুৱারী, মার্চ মতেক খরা স্কুল কারল্লগা হৌজিক ফাওবা স্কুলগী থোঙ হাংদ্রি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারীদসু হাংবগী ফীভম লৈতে। ফেব্রুৱারীদনা করম হায়না হাংগদৌরি, ওইদ্রৱানি। লৱর ক্লাসতগীনা নাইন ফাওবদি প্রমোসন পীরগনি হায়না তানখ্রে। মখোয়গীবুদি প্রোব্লেম লৈররোই। ক্লাস ফাইভ কারম্বা অঙাংশিংগীনা প্রমোসন পীদ্রিঙৈদা সিক্সকী লাইরিক লৈবা থেংনরে। চপ মান্নে। মথং-মথং মখোয় মখোয়গী হায়র ক্লাসকী লাইরিক লৈখৎনরক্লে। ক্লাস নাইনদগী হৌরগা মখাদা তম্বা অঙাংশিংগীদি পরিক্ষা তৌদনা পাস তৌনখ্রে হায়বদুমক্লি। প্রমোসন পীবা য়াদবা টেন, ত্বেলভকী মহৈরোয়শিংগী ওইনদি পরিক্ষা থাদবা শুকয়া য়াদবনি।

খ্বাইদগী হেন্না লুবা পরিক্ষা ওইরিবসিসু টেনগা, ত্বেলভকসিনি। কম্পিটিসনগী পরিক্ষাসু ওইবনা ক্বেসনসু পংলায় লায়না হংলক্কদবা মান্দে। মরমদি লাইরিক ফবা ময়াম অমগী মনুংদগী টোপ্পরশিংসু খনগদৌরিবনি। লাইরিক্তা থৱায় য়াওজবশিংগী ওইনদি ওনলাইন্দা নৈনবগী মথক্তা লোন্না লোন্না অফবা ওজাশিংগা তানদুনা মায় পাক্লবা হোৎনরি। খ্বাইদগী মরাইবক থীগদৌরিবদি হৌখিবা মার্চ থা হায়বদি লোকদাউন তৌদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদা স্কুল কাহৌদবা ক্লাস অমুক্তং ফাওবা য়াওহৌদবগী মথক্তা লাইরিক ফাওবা লৈহৌদবা অঙাংশিং ফাওবা য়াওরি। স্কুলসু শুক্না কাহৌদবা, কাবসু ফংহৌদবা, ট্যুসনসু শুংচৎ চত্তবা, ওনলাইনগা মেন-মান তাদবা, লাইরিকসু শুংপা পাদবা অঙাংশিং ফাওবা য়াওরি। ৱা হায়ববু মমা-মপানা লাইরিক অহনবা লৈরুরবসু লাইরিক পাদবগী চাং হায়ববু লাইরিক অহনবদু শুংফাক ফাক্তবা অঙাংশিং য়াওদবা নত্তে। কোভিদনে, লোকদাউননে করিনে মরাং-মরাং মরক্তা শুম চথরক্লবনিনা লাইরিক অহনবদু বুক ষ্টোরদা পীখ্রগা অমুক য়োনবা য়াবগী ফীভমনি। ওন্থোকপনি লাইরিক ওন্থোক্না ফখ্রবা। চহী অমা পুরা লাইরিক ফাক্তবা মহৈ হৈবগী জাৎত্তা মঙগুম্বনি। অদুগুম্বা মখলগী মহৈরোয়শিংনা লাক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসিদা মখোয়গী ফীভম কমদৌগনি? ফজরদৌপোৎনি।

সিলেবসকী ৱাবুদি খরা লৌথোকখ্রে, ককথৎখ্রে। থর্টি পর্সেন্টগুম্বদি ওইরমাল্লে। অদুবু অঙাংশিংনা লাইরিক পাবা তনবগা, হোৎনহৌদবগা ফীভম ফবগী মওংদি উদে। খরা ই, খরা ইদ তৌদুনা এগজামিনেসন পেপর খোৎপা ওজাশিংনা লাইরিক তমহৌদ্রবা অঙাংশিংনি খনবীদুনা পাস মার্কতং ওইরবসু পীবিরবদি মফবা। মদু ওইবা য়াগদবা মান্দে। মরমদি হায়রিবা টেন, ত্বেলভকী পরিক্ষা ওইবনিনা ৱান টু ত্বেলভ ফাওবগী টোপ্পর খন্দুনা প্রাইজগা পীরক্কদৌরিবনি। পংলায় লায়বা এগজাম নত্তে। স্কুলগী অমদি মশামক্কী মমিং চৎহৌনবা লাইরিক ফবা অঙাংশিংনা অঙম্বা চাংদা হোৎনবসু কোঙ্গায়নি।

ছুটি মনুংদা স্কুলসু কাহৌদবা, কাগে হায়রবসু য়াদবা, সবজেক্ট খুদিংমক্কী ওজাশিংসু মশক ফাওবা উজবা ফংহৌদ্রবা, ওজাশিংগা তানহৌগেসু থিংবীবদগী য়াদ্রবা মথোং মরম খঙহৌদনা সেসন নমদুনা লোইশিনখ্রে, অঙাংশিং লাক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসিদা নখোয়না তৌগদবা ফীভমসি করিনো? নুংঙাইরদবা পোৎনি। ক্বেসননা লুনা লুনা হংজিল্লকও পরিক্ষা মনুংদা কোলোম মনিং চিক্লগা লৈবা নত্তনা পাম্বে লৈতে। অমরোমদসু অমুক মোবাইল ফোন মেৎতুনা নুমিৎ চূপ্পা মতম লেনবা, লাইরিক পাবা ফংজদ্রবা মমা-মপানা ইবুংঙো-ইবেম্মা নহোয়বু লাইরিক্তে অমুক্তংদি পাউদা হায়রবসু শুক্তে হেক তাদবা মখোয়গী নরাইবক্তি পরিক্ষাসি লোইরগা রিজল্ট লাউথোরকপদা অদুম নশানা খঙজরনি। কনাদসু ৱাকৎলুবা য়াররোই। সর, মেদাম বোর্দ চেয়রমেন, কাউন্সিলগী চেয়রমেন, পরিক্ষাগা মরী লৈনবা ওজাশিং হন্দক্কী মতাংসিমদি চানবীয়ু, প্রমোসন অমুক্তংদি পীবিয়ু হায়দনা তরারক হায়জরুরবসু য়ারক্কদবা মান্দে। অঙাংশা লাইরিক তমগে তম্মু, তম্মোই তোকউ নহানমখৈ নখোয় কৈদৌ লৈহৌবা, লাই কোটি কুম্রহুমদোই খুরুম্লুরবসু ওইরোইদবা ৱানি হায়রকপসু য়ারি।

অমবু ওইরো, অমবু ওইরো বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন অমদি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন মণিপুরগী ওফিসলশিংনা য়াম্না মুন্না খন্থবীরগা হন্দক্কী টেন, ত্বেলভ থাগদবা মহৈ তম্বা ফংহৌদ্রবা মহৈরোয়শিংগীদমক য়ামদ্রবদা পাস তৌবা ফাওবদি ফংজনবা মওংদা ক্বেসন সেট তৌবীদুনা অঙাংশিংগী মরাইবক লেপচনবরোমদা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ২১

### ৱাখল ইহুল

## সোরাম ইবোহল লুৱাং

অতোপ্পা তৌহঞ্জনীংদবা মরম অমনা - থৌরম পাঙবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা - লাইগী থৌরম তৌবা-ব্রাহ্মন/ঈরাৎ পিবাগী থারিবা ফম্ফমদুদা মহাক মতোমতা ফম্বা য়াবদুদা বামোননি হায়দুনা মশানা হেক্তা চঙশিল্লগা ফম্বা/অরাংফম্না ফমহন্নবা য়ূম্বুদা অৱাবা পীবা চুপ্লোই খঞে। বামোন অহলদা অহল ওইরবদি তঙাইফদে হায়না খনসি। অদু নত্তনা অতৈদি মথৌ তাদে। চেৱাউ ফংদুনা লাক্লবনা লাক্লিবশিংদু চপ মান্নে হায়না লৌগনি। অচৌ অশাং (শম্না) শিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা মরম খরদগী হৌদোকখিবা চৎনদবনা চৎনবী ওইরক্লবা থৌওংসিগী ইরায় লায়বা ৱাহন্থোক্তি - শঙলেনগী ময়ায়গী অকোয়বদা নুমিৎতুগী ওইনা ফম্লুরবদি শেল ফংই হায়বসিনি। অদুনা কনাগুম্বা খরদি থৌরম হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মফমদুদা য়ৌনবা চৎনরিবনি। মসিনা কায়হনবদি - খুন্নাইদা অহল-নহাগী থকসি-খাসি কায়থরক্লবগী অচৌবা মরম ওইরকপসিনি। নাকল অমরোমদা কোভিদ-১৯গী চৈথেংসি খক্তং খন্দবীদা লৌনগনবা লায়না শাথীরবা এম দি আর টি বি, হেপাটাইটিস বি/সীনচিংবা হৌজিক হৌজিক মশক খঙলগা লৈরিবশিংসিদগী হেন্না শাথীবা/মান্নবা থাক্কী মশক খঙদবা অনৌবা ভাইরস/লায়না লাইচৎ লাক্লোই হায়বা তম্বা ঙমদবনা লৈঙাক্লসু চেকশিন্না লৈহন্নীংবগী ৱাখল লৈবিরবনিনা লৈঙাক্কী ওইনা লমদমসিদা অরাংফমগী শিনফম তৌরিবশিংদা থমহঞ্জনীংবা অকনবা/অহকপা ৱাফম খরদি -

১) য়ারিবমখৈ থৌরম থৌরমগীবুদি খরা মান্নদ্রবসু ময়োংবা শঙলেন মনুংগী অকোয়বদা মী য়াম্না ফমহন্দনবা ফম্ফম (ফিদা) মশীং য়াম্না থাদনবা য়ূম্বুশিংদা শোয়দনা হায়হনবা;

২) থৌরম থৌরমগী ওইনা অকক্লবা পুংফমদা লাইগী থৌরম হৌহনবগা লোয়ননা থৌরমসু থেংদনা লোইশিনহন্নবা য়ূম্বুদা শোয়দনা হায়হনবা;

৩) মী য়াম্বা য়ামদবা, মরু ওইনা থৌরম পাঙগদবশিংনা মী য়াম্না তিন্দ্রবদি শেল য়াম্না ফংলোইদবদু লোৎশিল্লগা মী খরা হেন্না লাকপা ঙাইখিসি হায়বদা য়ূম্বুনা য়াহন্দনবা, অরাংফম্না য়ূম্বুদা শোয়দনা হায়হনবা;

৪) ইনাৎকী থৌরম অমদি মীনাৎকী থৌরম চপ মান্নবা থৌদোক্তা খেন্নবা ৱাফম অনীদং হায়বা তারবদি - ইনাৎকী ওইনা লাইগী থৌরম পাংলিবশিংদি লাইগীদা মরু ওইবা ৱাখল থাদবনা মী য়াম্না তিনবা/তিন্দবদা পূক্লিং চঙদে। লাইগী তৌফম থোকপা কাঙলোন পরম চুম্না পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পূক্লিং চঙই।

অতে অতোপ্পদি মী য়াম্না তিল্লগা লাইদা শেল খরা হেন্না তাগদবনা মী খরা হেন্না তিল্লগা থৌরম হৌহন্নীংবগী অপাম্বা তোয়না হায়বা/উবা ফংই। মসিগী থৌওংসিবু খঙদবা কনা লৈবগে। লাইগী পুংজাদগী মী ঙাইবগী পুংজানা হেন্না লুম্না লৌফম থোকপ্রা? কোভিদকী এস ও পিগা তায়োন্নবনি হায়না লৌরোইদ্রা? মতম চানা লাকপা হায়বসি নুমিৎতুগী ওইনদি তঙাইফদবা নৎত্রা? চৎলরোই খনবদগী থৌশাদনা লৈথোক্লুরগা থেংবা শানবা ওইনা তৌবদি অফবা নত্তে।

ইনাৎকী ওইনদি থৌরম খুদিংদা লাইগী ফম্বালদা মীয়াম্না কৎপা শেল (লুপা লিশীং কয়া ওইরবসু) ইরাৎ পিবানা লৌদে, য়ূম্বুনা পীনীংবা/কৎনীংবা শেনফম (লুপা চামঙা/লিশীং) অদুখক্তং লৌই। ফম্বালদা তারিবা য়াম্বা/য়ামদবা শেনফমদু থৌরম পাঙথোক্লিবা ইমুংদুগী ওইজে। অদুনা ইনাৎকী থৌরম অয়াম্বদা মী অমগী চিরবা/মমল য়াম্লবা মতম কয়া মাঙহন্দে। অতৈগীদি মসিগী ওন্ন-তৈনবনি। য়েৎনবদা অদুম খঙলবা পোৎনি। অদুনা মীয়াম তিন্দুনা থৌরম চাউনা তৌবসি হৌবদগী হৌজিক ফাওবা মখোয়গী অপাম্বনি। কুমজা ২০২০সিদা কোভিদনা ফজবা পাড়া অমদি খুন্নাইদা তম্বী হায়না লৌবদা লাল্লরোই।

কোভিদ-১৯গী থৌওংদি মী য়াম্না কুংনা/নকশিন্নবা হেক লৈবদা হরাউবনা মতোন লোমদুনা ভাইরস য়াম্না থুনা শন্দোকপসিনি। অমুক্না হেন্না পামজবদি লায়না মখল কয়ানা মী মশা অমদা নারবা মীশিংনা য়াল্লবদি অদুগুম্বা মীয়াম্বু হাৎপসিনি। মালেমগী তাইবঙপানসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা অমুক পাল্লিবনা কোভিদ-১৯গী ভাইরসসি য়ারিবমখৈ মীওইবগী মশাদা চঙহন্দনবা রিছর্স কয়া তৌদুনা ভাইরসসিবু মাঙহনবা/ঙাকথোকপা ঙম্বা ভেক্সিন/হীদাক অথুবদা পুথোকপসিনি। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভাইরসসি ঙাকথোকপা ঙম্বা ভেক্সিন/হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবনা চেকশিনবা য়াবা থৌওংশিং খরবু এস ও পি হায়না মালেমগী মীয়ামদা ঙাক্না চৎনবা তৎতনা পাউজেল পীনরিবসিনি।

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ থোকহল্লিবা ভাইরসসিবু মী অমদগী মী অমদা শন্দোকহন্দনবা মালেমগী লৈবাকশিংনা মালেমগী মীওইশিংদা ঙাক্না চৎনবা তোয়না হায়দুনা লৈরবা এস ও পি - মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেটসিদা লাইনীং লাইশোন্দা হকচিন্না লৌবা কাঙবু অমদি ইরমদমগী থৌরম কয়াগী চৎনবীশিং অমদি হিংনবা হায়বদি পোৎ য়োল্লিবা অমদি লৈরিবা মীওইশিংনা ঙহাক ঙহাক্কী ওইনা করিসু থৌৱা শাদনা লৌনবগুম তৌবশিংসিনি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা - লমদমসিগী ওইনা মী অমা শিবগীদা মী খরা/খরা য়াম্না পুনবা; মঙানি লৈহুন/অষ্ঠি সঞ্চয়; লৈখিদবা মতুং নুমিৎ তরামাথোইনিশুবদা পাঙথোকপা লান্ন-থৌরম/নুমিৎ তরামরিনি শুবদা পাঙথোকপা শ্রাদ্ধ; চহী অমা ফাবদা পাঙথোকপা ফিরোই। মীরম লাইনীংগীদদি থৌরম পরেং য়াম্বনা মী অমা লৈখিদবদা মী পূনবগী মতাং য়ামই। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, অচৌ-অশাং (শম্না) শিংগী ময়ূমদা থোকপা মতমদদি শেল থাবীনবা মীনা কৃক-কৃক ইন্ননা ক্যুদা পরেং শাংনা শেল থানবা ঙাইবদা অহানবা তান্নবদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি তুংওইনবনা অয়াম্বনি। হায়রিবা থৌওং অসিমক লুহোংবগী শেল থাবা মতমদসুনি। লুহোংবগীদা অপোকপা মপানা ইহান হান্না য়াইফ থৌজাল ওইনা তরেৎ শেঞ্জানা ললকুবিবা/কন্যা দান মতমদসু নংহৌরোইদবা মতাগুম কৃক কৃক ইন্ননা নুপাগী পরেংগী মতুংদা নুপীগী পরেং লেংদুনা এস ও পি থুগায়বসিনি। চহী চা কয়াদগী চৎনদুনা লাক্লবা চৎনবীদা থৌওং লান্না তৌশিনবগী ৱাতনি। কোভিদকী মতমগী চৈথেং লাক্ত্রিঙৈদগী তৌদুনা লাকচরবসু মী ইন্নদনা তৌবা য়াবসি কোভিদকী মতমসিদনা শুকফৎ ফৎত্রে হায়বদি মীনা নংহৌরোইদবা মতাগুম কৃক কৃক ইন্ননা তৌবসি হোংদোকহৌরসি হায়বগী ৱানি। হীরম খুদিংমক্তা অফবা থৌওংদি লৌশিনসি হায়বগী ৱাফমনি। মুন্না অমুক খন্থরবদা খুন্নাইদা হিদান্নবগী ফৎতবা থৌওং অয়াম্বা শম্না অচৌ অশাংশিংনা অয়াম্বা হৌদোকই হায়বা য়াই। অদুনা খুন্নাইদা চুমথোকসি হায়রবদি মকোক্তগী হান্না চুমথোকপা তাই। মমৈদগী হৌবনদি য়ারোই, মায় পাক্লোই। এরোপ্লেন, ত্রেন, বস/মখোঙ মরি পানবা কারনচিংবগী এঞ্জিন মশাদুগী মমাঙ থংবা শরুক মকোক্তা পানবনি। মকোক্তুনা য়াদ্রবদি মশা পূম্বা য়াদ্রে হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই। খুদম ওইনা, ইরমদমসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অচৌবা ৱাথোক- অউনপোৎ য়াম্না উন্দবগী মনেম মকুনা/মপুরোয়বা মশানা নৎত্রগা লৌতুনরগা তান্থোকপা/হাৎপা থিংনবা লো মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা ষ্টেটশিংগী ওইনা চৎনবী লৈবসি ইরমদমসিদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি। খুন্নাইগীদা অকায়বা ওইরক্লবদি মদুগী থিংনবা লো নৎত্রগা চৎনবী মওং অমা শোয়দনা লৈরকপা তাবনি। ●

# উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল, পোম্বী চেক্লাশিংগী শৈহেক্লক্তা *অঙান চীং ওপন এয়র লাইব্রেরি*

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

লাইরিকপু লৌশিংগী পুক্কৈনি হায়বসিদা লাল্লি হায়না য়েৎকদবা কনাগী মতিকনো! তাইবঙ মীওইবনা ময়েক মশোন খঙলকপদগী খূৎই লাইরিক কয়া ইদুনা পুথোকপীরম্মী। মীরোন কয়া মথং-মথং চথুরি। অখঙ-অহৈশিংনা থম্বীরম্বা খূৎইশিংদি লেঙদনা অদুম্মক লৈহৌই। ময়েকশিংদুনা লৌশিং মৈরা ওইদুনা চাওখৎপগী চীংদোন্দা মায় পাকপগী ফিরাল য়ুংলুবা ঙম্নরি। অদুবু লাইরিক পাবগী হৈনবী অসুম অসুম হন্থরক্লি হায়দবা ঙল্লোই। থাঙ্গে শেংনা হায়রবদা হৈথোই শিংথোইরবা ইন্টরনেট হায়বসিনা মীশুম লাইৱা তৌদুনা ঐখোয় পূম্নমক ইঙাও ঙাওহল্লব্রা কৈনোমা ইতৌ তৌরেদা। শিদ হীদাক্না পাংখক ওইরিবা লাইরিকনি হায়বসি খঙনা-খঙনা কাউথোক্কে তৌরকপ্রা? মতম অমা লৈরম্মী, ঐ ঐনা তল্লিবা ক্লাসকী অকক্লবা লাইরিক নত্তবা অতোপ্পা লাইরিকশিং পাগদবগী মুন্নবা মতম অমা। মাধবী, জহেরা, লবঙ্গলতা, খুদোল, লমন, নলিনী-বাদল, দুর্গেষ নন্দিনী, জাৎ ওনবনচিংবা লেম্না অমত্তা থাখিদে হায়বা য়াই। আরবিয়ান নাইটকদু ঐখোয় ময়াম মুন্নবমক্তদা ইমা-ইমা হায়দুনা খাঙলমদৌবোই নীংই। ইমান্নবী অমনা পাখিবদু লোইবা ঙাইঙমদে, ঐখোয় অহুম-মরি ওমশিন্দুনা পামিন্নবীনি। তৌববুদি মতমদুদদি কম্প্যুটর, স্মার্ট ফোন, ইন্টরনেট অদু-অদা হায়রিবশিংসি মঙগুম্বনি। সিনেমা, দ্রামা, শুমাং কুম্মৈনচিংবসু নুংতিগী য়েংবা ফংবসু নত্তে। মীত্তা লাইরিক ময়েক উবা ঙমজবশিংনা লাইরিক পাবদা থৱায় য়াওনবসিদি করিবু হায়রুনি। মতমদুদি লাইব্রেরি ইরৈ লৈনবসু নত্তে। স্কুল কোলেজদা লৈবখক্তনি। মতিক চাবা লাইরিক পাফম লৈবা নত্তে। কোলেজ তম্লকপা মতমদা কা মচা অমা লৈবদু মরম চানা শীজিন্নবগী ৱাখল লৈখিদে। মথোঙদি কয়া চাদবজাৎনি ঐখোয়দো, মফমদুদা নোকপগা খেবগা পুল্লাংনি। য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তম্বা চঙবা মতমদুদা লাইব্রেরিগী অশেংবা ৱাহন্থোক খঙলকই। ঙসিদি লমদম অসিদা লাইব্রেরি খরা লৈরে। অদুমকপু ঙসিগী মীরোন্না মরু ওইনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লাইব্রেরিদা চত্তুনা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈরব্রা হায়বসিদি হংনীংঙাই ওইরি।

খল্লম্বনি, হন্দক চহী ২০২০ অসি কোভিদ-১৯না অসুম্মক নৈহত্তুনা থল্লদ্রা হায়না। কোভিদ... কোভিদ...কোভিদ ৱাখলকসে ইফক ফকচিনবজাৎনি। ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংগী তুংগী লাইবকসিবু কমদৌবা হায়বা ৱাখলসিনা ফুম্বংনহল্লি। ইথা থাজদনা চহী লোইরে লাউরমদাই মীৎকুপসিদা আশাগী মঙাল অমা খঙচোং চোঙথোরকই। তশেংনমক থাজে, ইচা ইশুশিংদা লৌশিং মঙাল পীবিগদবা মশক থোকপা লাইব্রেরি অমা মীয়ামদা খুদোল তম্বীরবনি। ওন্থোক্না মমল য়ামখ্রবা নুমিৎনি, হন্দক থাগী তারিখ ২০ নোংমাইজিং নুমিৎতো। নিংথমগী অয়ূক ওইবনে দিসেম্বর লোইশিল্লমদাই ওইবদুগা ঈংবগী চাংদু ফনা ফজরে। অঙান চীং ইকো পার্ক ককচীংদা ***অঙান চীং ওপন এয়র লাইব্রেরি*** হাংদোকখ্রে। নীংশিংলকই, ফক্লাংনা কোয়শিনবা য়ূম মনুংদা পরিক্ষাগী লাইরিক নুংতিগী পাবদা চিনফা ফাবা ঙল্লক্তবা মতাং য়াওরকখিবদো। অদুগুম্বা মতাংদা অহাঙবা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফম পাল্লকখি। য়ূমগী ইঞ্জোল মচি অমদা পৈরিবা চরূ ইকু মখোঙদো ঐখোয়গী লাইরিক পাফম শঙ ওন্থোকপদুগী কান্নবা ফংখিদবা নত্তে। অহাঙবা অতিয়াদা পাইরিবা উরোক পরেংদু মশীং থিবী শান্নখৈ শান্নরগা লৈথোকই। হঙ্গাম, হৱাই মতোন, আলু মরক্তা হৌবা বি বি খোংচাই হেল্লগা মরূদু চারবা মতুংদা মপোপ কায়হন্দবা মকুন্দু চীন্দা চূপ্লগা বি বি খোঙদুনা মতম লেনখৈ লেল্লবা মতুংদা লাইরিক ঙাইহাক্তং ঔরাইবদু কয়াদা কান্নবা ফংখিবা! মহৌশা লাইরেম্বী মশাইগোনসে ৱাখল লৌশিং ময়োন চোংফম ওইবজাৎনি। মদুনা ওইবজাৎনি, মুনি ঋষি কয়ানা উমং-ৱামংগা মরূপ ওইদুনা মীরোল খুদিংমক্না ইচুদা চুশিন্নদুনা লৈরগদবা লৌশিং মঙাল পীবা ৱারী লাইরিক কয়া থম্বীরম্বদো। মালেম পূম্বদা শিংথানরিবা ***মহাভারত, রামায়ন*** উপাল-ৱাপালনা য়েক্না তিঙ্খং লৈতনা হৌজবা, হৈরাং-লৈরাংনা মকা লাম্না শাৎচবা, শা-উচেকশিংনা মনীং তমজবা অসিগুল্লবা মফমগী খুদোলনি হায়দবা ঙল্লোই।

অনৌবা টেক্নোলোজিগী খোঙজেলনা অসুম অসুম য়াঙখৎলকপগা লোয়ননা কৈদৌনা লাইরিক পাজরুনি খনবা মীওই মপূং ওইনা মহৈরোয় নহারোল মশীংসু জ্-জ্ কাখৎলকই। স্মার্ট ফোন অমা মী অমা, মসিদবু কদাইদগী লাইরিক পাবগী মতমনো কাইথোক্কদৌরিবসে? তশেংবদি ঙসিগী চরাংনবা ফীভম অসিননি। অনৌবা পুন্সি মরেন, কাং খোং চাইরবা ফীভম, অচুম্বগী মফম লৈত্রবগুম্না উরক্লবা মতমসিদা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা খঙনীংবা, হৈনীংবা ৱাৎলকই। অরানবা লম্বীদা চৎখিবসু কোঙ্গায়নি। মতমসিদা অঙান চীং ইকো পার্ক, ককচীংদা ওপন এয়র লাইব্রেরি অমা হাংদোরকপা হায়বসি মণিপুর খুন্নাইখক্তগী নত্তনা পূম্নমক্কী য়াইফনবা থৌরাংনি হায়নীংই। পুকচেল চাউরবা মীওই কয়ানা মখল মথেল কয়াগী লাইরিক খুদোল তম্বীরকখি। মতুংদসু তম্বীরকখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। লাইব্রেরি অসি থম্নবা হোৎনবদা মায়পুনবা থৌদাং লৌবীখিবা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন (প্রসিদেন্ট অদাম), ক্ষেত্রিময়ূম সুরজিৎ (সেক্রেটরি অদাম এন্দ কো-ওর্দিনেটর অঙান চীং ইকো পার্ক), পুখ্রম্বম বীরমঙ্গল (ওনরেরি ক্যেরটেকর অঙান চীং ইকো পার্ক) অমদি চোকথবা নাইদনা চেন চোংলিবা সন্দে ইকো ক্লবকী থৌমীশিং অমদি লাইব্রেরি অসিবু মথ্বায় হাপ্নবা হোৎনবীরিবা পূম্নমক্তা তৌবীমল উৎফম থোকই। থোইনা হেন্না নুংঙাইজরিবদি মফম অসিদা লাইরিক পাবা লাকপা মীপূম খুদিংমক্না পোম্বী চেক্লাশিংগী নুংশিবা শৈশক তাবা ফংদুনা মখোয়গা চান্নবা মরূপ ওইগদৌরিবসিনি। তাইবঙ থৱায় ওইরিবা উপাল-ৱাপালবু নুংশিবগী ঈচেল লোম্নাই খম্নাইদনা চেন্থখিদুনা মালেম থুংনা নুংশি মপাউ য়েল্লকপসু য়াই। অইং-অশাগী খল কায়থরকপনা ওইহন্নীংদবা ফীভম কয়া ওইরক্লবা মতমসিদা পূক্লিং মকা লাম্না ৱাখল তঙৈং-তঙৈংনা লাইরিক পাবা ফংজগদবা মফম অমা লৈরকপসে কয়াদা লাইবক ফখ্রবনো! লাইব্রেরি অসিনা অঙাংশিংবু খূৎলাম তোয়না কৌহনবা মথৌ তারি। অঙাংশিংনা পানীংগদবা লাইরিক কয়া থম্বীবসু কান্নগনি। মপূং মরৈ ফারবা লাইব্রেরি অমা ওইগদবা মচাকশিংগী মনুংদা লমদমসিগী অঙাংশিংনা পাবা ঙমগদবা মৈতৈ ময়েক্কী লাইরিক মরাং কায়না থম্বীবা মথৌ তারি। অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌরগে হায়না শাফোঙলক্লবা অঙান চীং ওপন এয়র লাইব্রেরিনি। ●